**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-10-2025)**

**পোলিও(এল)ঃ** লৈবাক অসিদা হয়েং পোলিওগী সব-নেসনেল ইম্যুনাইজেসন নুমিৎ পাঙথোক্তুনা পোকপদগীনা চহি ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং পোলিও হিদাক পীথক্কদৌরি।

হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথুগদবা পোলিও হিদাক পীথকপগী থৌরম অসিদা পুন্না অঙাং লাখ ৩ লিশিং ১৬,৬৭১ হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। হয়েং অহৌবা নুমিৎতা বুথ-বুথদা হিদাক পীথক্কনি। মসিগীদমক পুন্না বুদ লিশিং ৩,১৬৭ হাংদোক্কনি। থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৪ দনা চিথুহৌবা অঙাংশিং য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা হিদাক পীথক্কনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ভারত্তা পোলিওনা নাবা অঙাং লৈত্রবসু য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা পোলিওগী কেসশিং শন্দোরকপা থেংনবনা মনিপুরগুম্বা ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেসকা নকবা মফমশিং ওইবনা লায়না অসি মতম অমদা হেক্তা নারকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী জিলা ১৬ মক্তা পোলিও হিদাক পীথকবা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগনা থৌরাং তৌদুনা লৈরে।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ১২৪ থেংনখি।

সরকারগী চেরোল অমনা হায়-হায়রিবা মতম অসিদা পুন্না সেম্বল ২৩৮ টেষ্ট তৌখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা সেম্পল ১৪০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৮৪ দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদনা মীওই ৪৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। সেনাপতি জিলাদনা মীওই ২১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী ঙসি ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ৫,৫৪১ টেষ্ট তৌবদা মীওই লিশিং ২,২৯১ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মীওই লিশিং ১,৬৫৬ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গিনা বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে।

**এমএলএ(এল)ঃ** মনিপুরদা মীয়ামা পামবা সরকার অমা লৈহন্নবগীদমক কেন্দ্রগী লুচিংবশিং উন্নরুবা এম.এল.এ. খরা ঙসি ইম্ফালদা থোরকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থোরকখিবা এম.এল.এশিং অদুদি-সর্বশ্রী গোন্দিানস কোন্থৌজম, করাম শ্যাম, হৈখাম দিংগো, খুমুকচম জয়কিষন অমসুং ডা: সাপম রঞ্জননি।

ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা এম.এল.এশিং অসিনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা মীয়ামনা পান্বা সরকার অমা শেল্লগনি হায়বগী থাজবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা পীরক্লে। এম.এল.এশিং অসিনা বি.জে.পিগী লুচিংবশিং-সম্বিৎ পত্রা অমসুং বি.এল. সন্তোস উন্নরকখি। অদুমওইনমক, বি.জে.পিগী অতৈ লুচিংবশিংদি উন্নবা ফংদে হায়রি।

**ফয়ার(এল)ঃ** হজ ওফ দুয়িং বিজিনেস (ই.ও.দি.বি) ইনিসিয়েটিবপকী শরুক অমা ওইনা ঙসিদগী হৌদুনা চয়োল অমা চুপা চত্থগদবা ফয়ার সেফতি ওদিটরস ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা হৌদোকখ্রে।

হোস্পিতালশিং অদুগী মনুংদা-রিমস, জেনিমস, শিজ হোস্পিতাল, মাদর কিয়ার হোস্পিতাল, ত্রেভি হোস্পিতাল, বাবিনা হোস্পিতাল, কারকিনোজ

হেলথ কিয়ার, নোর্থ ইষ্ট প্রাইবেট লিমিটেদ, কেন্সর ত্রিটমেন্ট সাভির্সেস হায়দ্রবাদ প্রাইবেট লিমিটেদ, রাজ মিদিসিতি অমদি আই.এল.দি.এস. হোস্পিতাল য়াওরি। হৌদোকপগী থৌরমদা পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার-নিংঙোম্বম সুভাস, হোমগী জোইন্ট সেক্রেটরি-ডা: ময়েংবম ভিতো সিংহ, টাউন্দ প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী চীফ টাউন্দ প্লান্নর-নোংথোম্বম বেনজ্ সিংহ, জেনিমসকী দাইরেক্তর-ডা: লোংজম উসারানি অমদি মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর লাইশ্রম নবাচন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর-নবাচন্দ্রনা হায়-ভারত সরকারগী পিছ ওফ দুয়িং বিজিনেসকী থৌরাং মখাদা ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্ট খক্তনা হয়ার এন্দ লাইফ সেফতি প্রোটেক্সন মিজরস মপুং ফানা রিগুলাইরেসন তোনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবগীদমক ঙসিদগী হৌদুনা থার্দ পার্টি ওদিটর নৎত্রগা ইমপেনেল এজেন্সি খনগৎতুনা মনিপুরগী বিল্ডিং খুদিংমক্তা ফয়ার সার্ভিসকী মচাক মথুমশিং থমদুনা রাজ্য অসিদা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোকবা খোঙথাং অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

**সেনা (এল)ঃ** শিল্লোংদা লৈবা মনিপুরি রাজবারিবু থুগায়খিবা হায়বসি শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা অনিশুবা পুয়া মৈ থাবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদাব ফোংদোরক্লি।

শিব সেনা মনিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-পুৱারীগা শগোন্নরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অসিবু ওক্তোবর থা অসিমক্তদা থুগায়খিবা হায়বসি অনৌবা চৈনা অমা হাপচিনবগা পাংখক ওইরে।

ঐতিহাসিক ওইরবা মনিপুর রাজবারি থুগায়খিববু মীতৈ এল্লাইয়েন্সনসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-শিল্লোংদা লৈবা রেডলেন্স বিল্ডিং হায়নসু খঙনবা মনিপুরি রাজবারি থুগায়রে তাবদা য়ামা নুংঙাইতবা ফাওই। মফম অসিনা মনিপুর মীয়াম অমদি রাজ্য অসিগী

রাজনিতিগী ওইবা নীংশিং খুভম ওইরিবনি। মরম অদুনা, মনিপুরগী রাজ্যপালনা অথুবা মতমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেংদোকপীয়ু অমদি মরি লৈনবশিংনা চপ চাবা হেরিটেজ প্রিজাভেসন পোলিসি অমা শেমদুনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবীয়ু।

থৌওং অসি ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেন্স (ফোক্স) মনিপুরনসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুর রাজবারিবু ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা থা অসিগী ৮ দা থুগায়খিবগী থৌওং অসি মনিপুরগী মীয়ামবু উৎশিৎতবনি হায়না লৌই। নৌনা শেমদোকপগী মিংদা মনিপুর পুৰারীগী লেংদ্রবা খুদম চাংদম মাঙহন্নবা হোৎনবা অসিদা চেন্নবা মরী লৈনবা বিভাগকী ওফিসিএলশিংগী মথক্তা রাজ্যপালনা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

**রুরেল (এল)**ঃ মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা আই.টি.এ. ৰিমেন মল্টি পরপজ কোওরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ, থৌঙম্বী ৰিমেন মল্টি পরপজ পোওপরেটিব সোসাইতি লিমিটেদ, কংলৈ হিয়াই ৰিমেন মল্টি পরপজ কোওরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ অমসুং কাইফদ্দবা লন ৰিমেন মল্টি পরপজ কোওরেটিব সোসাইতি লিমিটেদকা পুন্না শিনদুনা রুরেল রুট মার্কেট ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিঙারেল তেজপুরদা লৈবা য়াইফ লমজিং কাংলুপ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী সেন্সস ওপরেসনগী দিরেক্তর-টি.ঐচ. চিত্রা দেবী, ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপম অমসুং মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-এন. বন্দানা দেবী শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ভি.এল.এফশিংদা য়াওরিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বরশিংনা শাজবা পোৎলমশিং উৎপা স্তোল ৮৪ হাংখি।

**সিএএফ (এল)ঃ** কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন বিভাগনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অহোংবা মমলদা চেং ফংহনবগী থবক চথুরি।

দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার-কে. ধনঞ্জয়না হায়-ফৌ লৌকদ্রিথৈগী মীয়ামনা ৱানরবা মতম অসিদা চেংগী অৱাবা খরদং ওইরবসু হন্হন্নবা পান্দমদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কমিস্নারগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী ৱাংখৈ কেন্দ্রগী খোঙনাং অনি কারক অমসুং লমলাই কেন্দ্রগী খরাসোনদা ঙসি মীয়ামদা অহোংবা মমলদা চেং ফংহনখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম থৌবাল জিলাদসু নেসনেল কমিং আউট ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। রুরেল ভোলুন্টরি সাভির্সেস-ৱাংবলনা চল্লাইবা ন্যু লাইফ শঙলেন-গরিমা গ্রে সেলটর হোম ফোর ত্রান্সজেন্দর-ৱাংজিং বজারনা শিনদুনা থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকপা পালন থৌরম অদুদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল সাইকোলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার-ডা: এল. রোসননা ত্রান্স জেন্দর দাইসপোরিয়া হায়বসিগী মতাংদা খঙমীন্নবা ৱা ঙাংখি। অদুগা হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱার্ক মনিপুরগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (এদভোকেট) প্রেমলাতা থোকচোমনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ত্রান্সজেন্দর হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

**নোনে (এল)ঃ** ঐচ.আই.ভি-সি.টি.আইগী মতাংদা ইনটেন্সিফাই ইনর্ফোমেসন এদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নোনে জিলাদা কোন্দোম প্রমোসনগী ফ্লাস মোব অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট ইনি টগ্রেটেদ ষ্ট্রেটেজি ফোর ঐচ.আই.ভি-এইদস ক্লস্তর তমেংলোং অমদি নোনেগী

মীৎয়েং মখাদা আই.সি.টি.সি. নোনে অমদি লিঙ্ক ৱাকর স্কিমনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোসিএল আউটকম কোমেদি আর্টিষ্ট পার্টিনা হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা থৌরমশিং উৎখি।

**পিএম ঃ** হৱাইগী পোৎথোকশিংদা মীপাল তাংদনবা পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পি.এম. ধন ধানিয়া ক্রিসি য়োজনা অমসুং মীসন হৌদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ক্রিসি প্রোগ্রামগী অখন্নবা থৌরম অমদা লৌউ শিংউ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লমশিংগী প্রোজেক্ট পায়খৎনবা লুপা কোতি লিশিং ৪২ হেনবগী যাত্রা হুনখি। ইন্দিয়ান এগ্রীকলচরেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা পাঙথাকপা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৌউ শিংউগী লমগী মরুওইবা থৌরাং অনি হৱাইগী পোৎথোক্তা মীপাল তাংদনবগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৩৫ চংনা পায়খৎকদবা পি.এম. ধন ধানিয়া ক্রিসি য়োজনা অমসুং মীসন হৌদোকখি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৌউ শিংউ, এন্যিমেল হসবেন্দরি, ফিসরিজ অমসুং ফুদ প্রোসেসিংগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৫,৪৫০ চংনা পায়খৎকদবা জাতিগী প্রোজেক্ট অমসু হৌদোকখি। মসিগী মথক্তা লূপা কোতি ৮১৫ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগীদমক যাত্রা হুনখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-হৱাহগী পোৎথোকশিংদা মীপাল তাংদনবা পায়খৎলিবা পি.এম. ধন ধানিয়া ক্রিসি য়োজনা অমসুং মীসন অসিনা লৈবাক অসিগী লৌমী লাখ কয়ামরুমগী মরাইবক ফগৎহনবা ঙল্লগনি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা ভারতনা লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং মপান লমদা থাদোকপগী চাং শরুক অনি হেনগৎখি।

অমরোমদা, মনিপুরদসু রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা য়োজনা অসি হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ

সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লয়না হায়-প্রধান মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি হৌদোক্লিবা থৌরাং অসিনা লৌউ শিংউগী লমদা চাউনা অওনবা পুরকবগী খোঙথাং অমনি।

মহাকা হায়-তমেংলোং জিলাবু লৈবাক অসিগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা জিলা তরাগী মনুং চলহন্নবা পুন্না হোৎনমীন্নসি। থৌরমদুদা অকোই রাইজ মিল এসোসিয়েট, য়েলহৌ ফামর প্রদ্যুসর কম্পানি লিমিটেদ, সনা লৈবাক ওর্গানিক এফ.পি.সি. অমসুং চুমথাং ওগার্নিক ফামরস প্রদ্যুসর কম্পানি লিমিটেদতা মখোয়না তৌরিবা অদু শকখঙবা ওইনা সার্টিফিকেট পীবগা লোয়ননা সবসিদি ওইনা ফামর এসিস্টেন্টগী মখাদা লুপা লাখ ৭ মখায়, ৭ মখায় খুৎশিন্নখি।

**এনদিএ ঃ** নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) না বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক সিট য়েন্নবগী মতাংদা মসিগা চুংশিন্নবা দলশিংগী ওইবা ৱারেপ অমা ঙসি লৈখায় তারবা য়াই।

বি.জে.পিগী কোর কমিতিগী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা তাঙ্কক অনি থোকা ভোট থাদনগদৌরিবা বিহার বিধান সভা মীখলগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লেপথোক্লবা য়াই।

মীফম অসি বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়ারবা য়াই হায়রি। অকাশবানি পাটনা পাউমীনা হায়-মীখল অসিদা বি.জে.পিনা সিট ১০১ দা, জে.দি.য়ুনা সিট ১০২ দা মীরেপ থাদোক্লবা য়াই। এন.দি.এদা য়াওরিবা লোক জনা শক্তি পার্টি (রাম বিলাস), রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চা অমসুং হিন্দুস্তানি অৱাম মোর্চানা লেমহৌরিবা সিটশিংদা মীরেপ থাদোক্লবা য়াই।

**কুঞ্জারানিঃ** ৮৬ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিন্দুনা চত্থরকপা ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাহ কম্মন গ্রাউন্দদা লোয়শিনখ্রে।

লোংমাই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা খুৎশমদুনা খেল্লো ইন্দিয়া কেম্পেইনগী মখাদা নুমিৎ হুমনি চুপা চথরকপা টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা কন্মান্দেন্ট-এন. কুঞ্জরানি অমদি সেকেন্দ ইন কন্মান্দ-ডব্লিয়ু. নন্দিনি দেবী শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ই.ই.ভিনা বেরিয়ান বেপটিস একাডমীবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

**স্পোর্টসঃ** ১৪ শুবা জাদোনং ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ঙসিদগী ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। জেলিয়ারোং ফুটবোল এসোসিয়েসনন‌া শিনবা টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৩৭ না শরুক য়ারি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনন‌া শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ৱাই.ডব্লিয়ু.য়ু-ককচিংনা এস.দি.ও. পল্লেনবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমদি এ.কে.এস.কে. ককচিং খুনৌনা কে.এফ.সি. ককচিংবু পাঞ্জল ৩-২ থোইখি।